# সেন্টরনা এনই গী পৱার সেক্টর চাওখৎহন্নবগীদমক্তা ৱার্ল্ড বেঙ্কতগী দোল্লর বিলিয়ন ১.৫ লৌনবা হোৎনরি

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জুন ১১ঃ* ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা অৱাং- নোংপোক লমদমগী পৱার ত্রান্সমিসন অমসুং দিষ্ট্রিব্যুসন ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক্তা পায়খৎপা থৌরাং অমগী মখাদা ৱার্ল্ড বেঙ্কতগী য়ুএস দোল্লর বিলিয়ন ১.৫ লৌনবা হোৎনরি অমসুং হিরম অসিগী মরী লৈনবা প্রোজেক্ট ইনফোর্মেসন দোক্যুমেন্ট অদু চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা পুথোক্লবা য়াই। ৱার্ল্ড বেঙ্কনা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টতা অৱাং- নোংপোক লমদমগী ঈশিং ফংবা মফমশিংবু য়োকখৎতুনা থম্নবগী মতাংদসু খন্নরি হায়না এজেন্সিগী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

অৱাং-নোংপোক লমদমদা লৈরিবা ষ্টেট শিনবা থুংনা পৱার ফংহনবগী চাং হেনগৎহন্নবগীদমক্তা হৌজিক লৈরিবা ত্রান্সমিসন অমসুং দিষ্ট্রিব্যুসনগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অসি হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক্তা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা মরীক চুন্না স্কিম অমা শেম শারি হায়না ৱার্ল্ড বেঙ্ককী সোর্সশিংনা ফোঙদোরক্লে হায়রি।

নেটৱার্ক এক্সপান্সন স্কিম অসি গভর্নমেন্ট অসিনা অৱাং-নোংপোক লমদম অসিদা ফংলিবা ইনর্জিগী রিছোর্সশিং অদু হেন্না পাকথোক-চাওথোকহন্নবা অমসুং লমদম অসিগী মনুং অমসুং মপান্দা ইলেক্ট্রিসিটি মরাং কায়না সপ্লাই তৌবা ঙমহন্নগী পান্দমদা পায়খৎপা পাক-চাউরবা থৌরাং অমনি।

ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা ফন্দশিং অদু ৱার্ল্ড বেঙ্কতগী দোল্লর য়ুএস দোল্লর মিলিয়ন ৫০০ / ৫০০দা তাঙ্কক অহুম থোক্না লৌনবা হোৎনরি। স্কিম অদুনা অৱাং-নোংপোক লমদমগী ষ্টেট তরুক্তা ইন্ত্রা- ষ্টেট ত্রান্সমিসন অমসুং দিষ্ট্রিব্যুসন নেটৱার্ক হেনগৎহনবা, পৱার সেক্টরনচিংবগী ইন্সটিট্যুসনেল ওইবা মথৌ মঙমশিং অদু মপাঙ্গল কনখৎহনবা অসিনচিংবা এরিয়া কয়া কোনশিনগনি। ফন্দিং অসিগী মখাদা গভর্নমেন্টনা প্রোপোজ তৌরিবা ষ্টেট তরুক অদুদি, অসাম, মণিপুর, মেঘালয়, মিজোরাম, নাগালেন্দ অমসুং ত্রিপুরা অসিনি হায়রি।

ৱার্ল্ড বেঙ্ককী লিখুনশিং পল্লদুনা পাউ অসিনা হায়রি, ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা হায়জরকপদগী বেঙ্ক অসিনা দিপার্টমেন্ট ওফ দিভলপমেন্ট নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন (দোনর), মরী লৈনবা ষ্টেটশিং অমসুং অতৈ ষ্টেক হোল্ডরশিংগা খন্ন-নৈনদুনা লমদম অসিদা ঈশিং মরাং কায়না ফংহন্নবা প্রোজেক্ট অমা পায়খৎনবা থৌরাং তৌরি। অসিগুম্বা প্রোজেক্টশিং অসি অৱাং-নোংপোক লমদমদা ৱার্ল্ড বেঙ্কনা অসাম খক্তদা পায়খৎলি।